**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 15-02-2025)**

**রাজ ভাবন(এল)ঃ** মথৌ নীংথিনা পাঙথোকপা সেকুরিতি ফোর্সশিংদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লানা গভনরস সাইটেসন পীদুনা পুকিং থৌগৎখ্রে।

ইম্ফালগী রাজ ভবনদা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরমদা রাজ্যপালনা ৪৬ শুবা, ১৯ শুবা অমসুং ৮ শুবা অসাম রাইফলস, মঙাশুবা সিখ রেজিমেন্ট, টেরিটোরিয়েল আর্মিগী ১৬৫ শুবা ইনফেন্টরি বটালিয়ন, সি.আর.পি.এফগী ৮৭ শুবা বটালিয়ন, বি.এস.এফকী ২১ শুবা বটালিয়ন, বিষ্ণুপুর, থৌবাল অমসুং কাংপোকপীগী দিষ্ট্রিক্ট পুলিসশিং অমদি মনিপুর পুলিসকী সি.আই.দি. (ক্রাইম) ব্রাইন্সতা সাইটেসনশিং অদু খুৎশিন্নখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লানা হায়-রাজ্য অসিদা শান্তি থমবা অমসুং মীয়ামগী পুন্সি ঙাক শেন্নবা কৎথোকপগা লোয়ননা সেকুরিতি ফোর্সশিংনা লৌরিবা থৌদাং অসি থোইদোকা থাগৎনিংঙাইনি।

লৈবাক অসিগীদমক অমসুং মনিপুর মীয়ামগীদমক সেকুরিতি পার্সোনেলশিং অসিনা থৌনা লৈনা কৎথোকপগা লোয়ননা শিংথানিংঙাই ওইরবা থৌদাং কয়া য়ারি। লৈবাক অসিগী নীংতম্বা ঙাক শেন্দুনা থমবা, শান্তি অমসুং নুংশি চান্নবা হনজিল্লকবা হোৎনবদা সেকুরিতি ফোর্সশিংনা মখা তানা অচৌবা থৌদাং লৌনবসু রাজ্যপালনা তকশিনখি।

মহাকা হায়-লালহৌবা থেংনবা, হ্যুমেনিটরিয়ান সার্ভিস, মহৌশাগী খুদোংথিবা থৌদোকশিং অমসুং লৈবাক মনুংগী ওইবা শিংনবা কয়া থেংননবা হোৎনবদা সেকুরিতি ফোর্সশিংনা চোকথবা লৈতনা থৌদাং কয়াসু লৌরি।

**লুই-ঙাইনি(এল) ঃ** মনিপুরদা নাগা ফুরুপকী মরু-মরাং হুনবগী খ্বাইদগী চাউবা

কুম্মৈ-লুই-ঙাইনি ঙসি পাঙথোক্লি।

য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিলগী মীৎয়েং মখাদা ষ্টেট লেবেল ওর্গনাইজিং কমিতিনা শিন্দুনা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট হেদক্কাটরসকী কাতোমাইদা পাঙথোকখি। নাৎকী ওইবা জগোই ঈশৈ পাঙথোকপনা কুম্মৈ অসিগী মপুং ওইবা শক্তম ওইরি।

থৌরমদুদা শরুক য়ারদুনা এম.এল.এ. অৱাংবৌ ন্যুমাইনা হায়-নাগা ফুরুপকী মনুংদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা কাংলুপশিংনা পুনশিনদুনা অমত্তা ওইনা লৈমিন্নরিবা অসিগীদমক চাউথোকচবা পোকই। নাগা ফুরুপকী মীওইশিং অসি থকশি-খাশি লৈবা অমসুং ঐখোয়গী অহল-লম্মনশিংবু নীংথিনা ইকায় খুম বা ফুরুপ অমনি। অদুবু, লাইরিক লাইশু হৈরবা হৌজিক্কী মীরোলদা থকশি-খাশি ৱাৎপা অমসুং মশাগী ওইবা ৱাফমদা কা হেন্না খনজিনদুনা থবক তৌবগী মওং অমা লাক্লিবা অসি য়ামা লাইবক থিবনি। মসিনা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা খাইবুং খাইবুং তান্নদুনা পামদবা থৌদোক কয়া থোরকপগী হৌরকফম ওইরি।

মরম অদুনা, হেন্না চাউখৎপা অফবা খুন্নাই অমা শেম্বা ঙমবগীদমক অমনা অমগী অশোয়বা অরানবশিং ঙাকদুনা অমত্তা ওইনা পুন্না চৎমিন্নবা মতম ওইরে।

**ইগজাম (এল) ঃ** ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্বকী পরিক্ষ্যা থারিবশিংগী মফমদা মনিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ-থোকচোম সৈত্যবরতানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

শ্রী সৈত্যবরতাগী পাউজেলদা হায়-পরিক্ষাশিং অসি মহৈরোই অমগী পুন্সিদা য়ামা মরুওইবা তাঙ্ককশিংনি। মরম অদুনা হশানা ইশাবু থাজবগা লোয়ননা চেকশিন্না কন্না হোৎনদুনা পরিক্ষাশিং অসি মায় পাকবা হোৎনগদবনি।

থা অসিগী ১৭ তগী হৌগদৌরিবা কাউন্সিল ওফ হয়ার সেকেন্দরি এদুকেসন মনিপুরনা লৌবা ক্লাস টুয়েল্ব অমসুং থা অসিগী ১৯ দগী হৌগদৌরিবা বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন মনিপ্‌রনা লৌবা ক্লাস টেনগী পরিক্ষা

থাগদৌরিবা মহৈরোইশিংদসু মীতৈ ইরোল ইয়েক লোইনশিল্লোল অপুনবা লুপ (মীলাল) না য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

**পুলিস (এল)ঃ** মণিপুর পুলিসনা ঙরাং ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং থৌবাল জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা কে.সি.পি (পি.দব্লিউ.জি), কে.সি.পি (নোয়োন) অমসুং পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু.এন.এল.এফ য়াওনা মীওই ১০ ফারে। ফারবা মীওইশিং অসি মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবশিংনি হায়রি।

মণিপুর পুলিসকী পাউনা হায়-ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী হৈঙাং পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা খাবৈশোই সভেন এম.আর মনাক্তগী কে.সি.পি.(পি.দব্লিউ.জি)গী কাদর মরি ফাগৎখি। থৌবাল জিলাগী হৈরোক পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা হৈরোক পার্ট-টু চীংদোমপোক্কী এরিয়াদগী কে.সি.পি(নোয়োন)গী কাদর মরি ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফাগৎখি। লোয়ননা ঙরাং পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু.এন.এল.এফকী কাদর অমসু মণিপুর পুলিসনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী নুংগোই অৱাং লৈকাইদগী ফাগৎখি। মঙোনদগী পোইন্ট থ্রি টুগী পিষ্টোল অমা, কাপ্পা য়ারিবা মরু ৩ অমদি মোবাইল ফোন অমা ফংখি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লুৱাংশংবমদা লৈবা লিবরেল কলেজ গেটতগী প্রিপাক্কী কাদর অমা মণিপুর পুলিসনা ফাখি।

অমরোমদা, চেরোল অসিনা মখা তানা হায়- গাড়িদা নপ্পা টিন্তেদ ফিলম য়োনবা দুকানশিংদা মণিপুর পুলিসনা থিবা হুম্বগী থবক চথখ্রে। মখা তানা অসিগুম্বা পোৎলমশিং য়োন্দনবা অমদি হান্না লৈবা ব্লেক ফিলম রোলশিং মনাক নকপা পুলিস ষ্টেসনশিংদা মশা মশানা খুৎশিন্নগদবনি হায়রি। মখা তানা য়োল্লম্বা তারগদি আইনগী ওইবা থবক লৌখৎলগনি।

পনবা য়াবদি, ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদা হৌখিবা নুমিৎ মঙানি অসিদা চাকা মরি পানবা গাড়ি ৪০০ হেনবদগী টিন্তেদ ফিলম লৌথোকখিবা লৈখ্রে। মসিদসু নত্তনা জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হাংলিবা কার এসেসরি

সোপশিংদগী য়াম্লবা ব্লেক ফিলম রোলশিং পুলিসনা ফাগৎখি।

**আইএনএ(এল) ঃ** মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর-প্রোফেসার-এন. লোকেন্দ্রনা হায়রি-মনিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিগা মরী লৈননা কনাগুম্বা খরনা ইতিহাসপু শেমদোক শেমজিন তৌদুনা লান্না লমজিংন্নবা হোৎনরক্লিবা অসি য়ামা লাইবক থিবনি।

রাজ্যগী আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্ট, আই.এন.এ. এদভাইজরি কমিতি মোইরাং অমসুং আই.ক্যু.এ.সি. কুম্বী কলেজনা পুন্না শিন্দুনা ঙসি মোইরাংদা লৈবা আই.এন.এ. মারটিয়ার্স মেমোরিএল কমপ্লেক্সতা নেতাজিল এন্দ আই.এন.এ. হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা সেমিনারদা শরুক য়ারদুনা প্রোফেসার-লোকেন্দ্রনা হায়-ইতিহাস হায়বসি শেমদোক শেমজিন তৌদুনা পংইদা ইশিনবা য়াবা নত্তে। ইতিহাসকী মহৈরোইশিংনা মশক নাইবা ইতিহাসকারশিংনা ইরম্বা অচুম্বা লাইরিকশিংদা য়ুম্ফম ওইদুনা মহৈ তমগদবনি। ওজাশিংনসু অচুম্বা অশেংবা ইতিহাসকী ৱারীশিং মহৈরোইশিংদা তাকপীনবা হোৎনগদবনি।

**শিব সেনা(এল) ঃ** শিব সেনা মনিপুর প্রদেসনা হায়রি-রাজ্য অসিগী মীয়াম অমসুং দল অসিনা কৈদৌনুংদসু মনিপুরগী অপুনবগী শক্তমদা শন্তাইনবা য়ারোই।

ইম্ফালগী বাবুপারাদা লৈবা বালা সাহেপ থাক্রে ভবনদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা দলগী প্রসিদেন্ট-এম. তোম্বীনা হায়-রাজ্য অসিদা রাস্ত্রপতি সাসন থম্বা হায়বসি মীয়ামগী অপাম্বগী মায়োক্তনি। হৌজিক লৈরিবা এম.এল.এশিংনা য়ান্নবা অমা পুরক্তুনা সরকার শেমবা হোৎনবীয়ু হায়না দল অসিনা আপিল তৌরি। লৈরিবা এম.এল.এশিং অসিগী মরক্তগী লুচিংবা অমা খ দুনা সরকার শেমবা হোৎনসি।

শ্রী তোম্বীনা হায়-মনিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিনা ভারতকী অতৈ রাজ্যশিংগা য়েংনবদা নোংমদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিংগী মমল কা হেন্না ৱাংলে। মসিনা মীয়ামদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োকহল্লে।

**ইমো (এল) ঃ** লৈবাক অসিগী শেল থুমগী ফিভমদা শোত্থরবা ইমুংশিং অমসুং চহি ৭০ গী মথক্কী অহলশিংদা হকশেলগী ওইনা পীবা ইন্সুরেন্স স্কিম-প্রধান মন্ত্রি জন অরোগ্যা য়োজনাগী মিং চনবগী থৌরম অমা ঙসি এম.এল.এ. আর.কে. ইমোগী শগোলবন্দনা লৈবা মশাগী ময়ুমদা পাঙথোকখ্রে।

শগোলন্দ কন্সটিট্যুন্সি প্রোগ্রেসিপ কমিতিনা শিনবা থৌরম অদুদা মীওই ১২০ স্কিম অসিগী মখাদা মিং চনখি।

**ককচিং(এল) ঃ** ককচিং কেন্দ্রগী এম.এল.এ. ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা কেন্দ্র অসিগী ইরেংবন্দ, মাইরেম্বম অমদি হৱাইরৌগী ইবুধৌ ইরুম নিংথৌ লৈকোল অমসুং ককচিং পাজি লৈকাই নরশিং মমাং পরেংদা হৌজিক পাভর ব্লোক টেকে ালোজি শিজিন্নদুনা শেমজিন শাজিনবগী থবক থৌরমশিং য়েংশিনখ্রে।

**সেনাপতি (এল)ঃ** প্রধান মন্ত্রি ক্রিসি সিনচাই য়োজনা টু পোইন্ট জিরোগী শরুক অমা ওইনা ৱাটর সেদ যাত্রা আউটরিটচ কেম্পেইন ঙসি সেনাপতি জিলাগী কাথিখো ভিলেজ লোকেল গ্রাউন্দদা পাঙথোকখ্রে।

জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-মামোনি দোলেনা ঈশিং লিকা শিজিন্নবগী মতাংদা শরুক য়ারিবা মীয়ামগা ৱাশক লৌমীন্নখি।

**ৱার্কশোপ(এল) ঃ** চিফ মিনিস্তরগী আর্টিষ্টশিংগী তেংবাং স্কিমগী মখাদা মনিপুরি জগোই মরুপনা শিনদুনা খুবাক ঈশৈগী মতাংদা থা অমা চুপা চত্থরকপা ৱার্কশোপ কম প্রদক্সন ঙসি লম্বোইখোঙনাংখোংদা লৈবা মনিপুরি জগোই

মরুপকী গোর্ল্ডন জ্ল্লি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংখিবশিংনা আর্টিষ্টশিংবু পুকিং থৌগৎপীবা অমসুং খুবাক ঈশৈবু য়োকখৎতুনা থম্বগী তঙাইফদবশিং ফোংদোকখি ।

**লাইরিক(এল) ঃ** অকাশবানি ইম্ফালগী ঈশৈ ময়েক ইবা মোইরাংথেম মাইমু মচানা ইবা ঈশৈ অমসুং শৈরেংগী লাইরিক- ঈশৈ নাচোম ঙসি তেন্থাদা পাঙথোকপা অচন্বা থৌরম অমদা ফোংখ্রে।

থৌরম অদুদা সাহিত্য য়োকখৎ কাংলুপ তেন্থাগী মরুওইবা লুচিংবশিং অমসুং অইবা-অইবী কয়া শরুক য়াখি।

**মুরমু ঃ** রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি-হয়ার এদুকেসনদা আটিফিসিএল ইন্টিলিজেন্স (এ.আই) শিজিন্নবা কেন্দ্র সরকারনা অকনবা থবক লৌখৎলি।

মহাক্কী নুমিৎ নিনিগী রাঞ্চি খোঙচৎকী ঙসি অরোইবা নুমিৎতা বিরলা ইন্সটিট্যুট ওফ টেকোলোজি মেশ্রাগী প্লাটিনিয়ম জ্ল্লি থৌরমদা শরুক য়ারদুনা রাস্ত্রপতিনা হায়-চাউখৎলবা ভারত অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা লৈবাক অসিগী নহারোলশিংগী থৌদাং য়ামা চাউই।

রাস্ত্রপতিনা হায়-এ.আইনা মীয়ামগী পুন্সিরোলদা কান্নরবা অহোংবা কয়া পুরকপা ঙল্লি। মরম অদুনা মসিবু শিক্ষাগী শরুক অমা ওইহন্নবা হোৎনবা হায়বসি য়ামমক তঙাইফদবা অমনি।

**পিএম ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-শেল থুম মন্ত্রি-নিরমালা সিতারামননা ভারতকী অশেংবা ইকোনোমিগা মশক অদু হন্দক্তা সংসদকী মীফমদা ময়েক শেংনা ফোংদোকখ্রে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-সভাগী মীফমদা শেল থুম মন্ত্রিনা পুথোকখিবা কেন্দ্রগী বজেট অমসুং ইনকম টেক্স বিল

অদুদা ৱাফম অসি ময়েক শেংনা পল্লি।

**ভারত-শ্রীলঙ্কা ঃ** ভারত অমসুং শ্রীলঙ্কাগী মরক্তা মিনরেল এক্সপ্লোরেসন অমসুং মাইনিংগী মতাংদা তেংবাং পীনবা হেনগৎহন্নবা য়ান্নখ্রে।

কেন্দ্রগী কোইল এন্দ মাইন্সকী রাজ্য মন্ত্রি-সতিসচন্দ্র দ্যুবে অমসুং শ্রীলঙ্কাগী ইন্দিষ্ট্রি এন ওন্টরপ্রেন্যুয়রসিপ দিবলপমেন্ট মন্ত্রি-সুনিল হন্দুননেতিগী মরক্তা ন্যু দিল্লিদা ৱারী শান্নবদা ৱাফম অসি য়ান্নখিবনি। লুচিংবা অনিনা লৈবাক অনিগী শেল থুম অমসুং উদ্যোগ চাউখৎহন্নবা হোৎনবদা মিনরেল এক্সপ্লোরেসন অমসুং মাইনিংগী লমদা তেংবাং পীনবা হেনগৎহনবগী তঙাইফদবশিং ফোংদোক খি।

**সিবিআইঃ** সাইভর ক্রাইমগা মরী লৈনবা কেসশিংগীদমক সি.বি.আইনা দিল্লি অমসুং হরিয়ানাগী মফম ১১ দা থিবা হুন্থবগী থবক চত্থখ্রে।

এজেন্সি অসিগী পাউনা হায়-থিবা হুন্থবগী থবক চত্থবা অদুদা আইননা য়াদবা মওংদা থল্লন্বা শেল ওইনা লুপা কোতি অমা হেনবগী শেনফম, মীরৈবাক্কী শেল দোল্লর লিশিং অমা অমসুং য়াল্লবা সনাশিং ফাগৎলে। মসিগা মরী লৈননা মীওই অহুম ফাগৎতুনা মখোয়গী মথক্তা চার্জসিট থাংগৎখ্রে।

**প্রয়াগরাজঃ** উত্তর প্রদেসকী প্রয়াগরাজ জিলাদা ঙসি পেসেঞ্জর পুবা এস.য়ু.ভি. গাড়ি অমগা য়াংনা থৌরকপা বস অমগা থেংজিন্নবদা মীওই ১০ শিরে, ১৯ না শোক্লে।

প্রয়াগরাজকী পুলিস কম্মিস্নারনা হায়-এস.য়.ভি. গাড়ি অদু পেসেঞ্জরশিং পুদুনা ছাতিসগরদগী প্রয়াগরাজ তমা থৌরকপনি। অদুগা বস অদুনা প্রয়াগরাজতগী বনারাসি তমা থৌরকপনি। লাইবক থিবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবশিং অমসুং শোক্লবশিংগী মফমদা রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা থম্মোয়

শোকা নুংঙাইতবা ফোংদোকখে। উত্তর প্রদেসকী মুখ্য মন্ত্রি-যোগী অদিত্যনাথনসু থৌদোক অদুবু নুংঙাইতবা ফোংদোকপগা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা শোল্লবশিংবু নীংথিনা লায়েংনবা পাউতাক পীখ্রে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** এ.আই.এফ. টেলেন্ট একাডমী ভুবনেশ্বরদা তমবা পাঙথোকপা ফুটবোল সেলেক্সন ত্রাইয়েলদা শরুক য়ানবা শান্নরোইশিংগী লিষ্ট থোক্লে। মনিপুরদগী ৮ খল্লক্লে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** ১৩ শুবা খাগেম্বম ফুটবোল ত্রোফি ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা-ওল স্তারনা য়ুথ এফ.সিবু পাঞ্জল ৪-০ দা, গোল্ডন এফ.সিনা এস.দি.এ.কে. মুস্লিমবু পাঞ্জল ৯-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

**ফুটবোল (এল)**ঃ ১৫ শুবা সয়িদ মনোরঞ্জন সিংহ সি.আর.পি.এফ. মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা এস.জে.সি.-সলাম অমসুং অসুফি থেংনরগনি।

ঙসি সাই তাকয়েলদা শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচশিংদা অসুফিনা জ্বেনাইলবু পাঞ্জল ৩-১ দা, এস.জে.সি. সলামনা পথাপপু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখি।

**ক্রিকেট(এল)**ঃ লংথাবাল পাব্লিক গ্রাউন্দদা চথরিবা ২২ শুবা টি-টোইন্তি মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা চেম্প-খাগেম্বপল্লিনা ৱাই.য়ু.সি.সি. ক্বাকৈথেলবু রন-৩২ দা, মোদেল ক্লব-চিংঙামখানা এল.সি.সি. লমশাংবু রন-৪৮ দা মায়থিবা পীখি।

ফোরর্দ এম.এন.সি.এ. বোইজ অন্দর ফোরটিন টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা-এ.এম.সি.এ. থৌবালনা এস.দি.ও. কৈরাওবু রন-৩১৬ তা,

পি.টি.সি.সি. পাৎশোইনা ৱাই.ডব্লিয়ু.সি. থৌবাল ৱাংখেমবু রন-৩৭৫, থাউ থাংমৈবন্দনা টি.সি.এম.দি.সি. থোংজ্ পার্টি টুবু ৱিকেট ৯ দা মায়থিবা পীখি।

**ক্রিকেট(এল)ঃ** ৯ শুবা এম.এন.সি.এ. ডব্লিয়ু প্রহ্লাদা এন্দ ডব্লিয়ু. রামানন্দা এলিট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা রেজ খ্বাই নাগামাপালনা ই.এস.য়ু. ৱাংখৈবু রন-২৮ দা থোইখ্রে।

অনিশুবা এম.এন.সি.এ. ৱিমেন্স অন্দর ফিফতিন ৱান ডে ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ফোর্স-ক্ষেত্রিগাউনা অল-আমিন লিলোংবু রন-১২৮ দা থোইখ্রে।